# মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবনা নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে, মিক্স দবলসতা দিঙ্কুসু টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

চেন্নাই, মে ২৬ (এজেন্সি) :

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা পাঙথোকপা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইনিদয়া জুনিয়র অন্দর-১৯ রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলসতা মণিপুরগী শান্নরোয় মাইস্নাম মৈরাবনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী শান্নরোয় কোন্থৌজম দিঙ্কুনা মহারাষ্ট্রগী রিতিকা থাকরগা প্যের ওইদুনা শান্নবদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।





থা অসিগী ২৩ দগী শান্নরকখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া জুনিয়র অন্দর-১৯ রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা মাইস্নাম মৈরাবনা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুকয়ারকখিবনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপা ফাওবদা মায়োক্নবা শান্নরোয়শিংনা মঙোন্দগী গেম অমফাওবা মুনবা ঙমদনা টাইটল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী জুনিয়রগী নম্বর-১ শান্নরোয় মধ্য প্রদেশকী প্রিয়াংসু রাজাৱট শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদে।

মৈরাবনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা রাজস্থানগী সুভম পটেলবু ২১-১৮, ২১-১৩দা থোইখি। অনীশুবা রাউন্দা মহাক্না হরিয়ানাগী ভারত রাঘব পু ২১-৮, ২৩-২১ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অহুমশুবা রাউন্দদা মহারাষ্ট্রগী রোহন গুর্বানিবু ২১-১১, ২১-১১ দা থোইরবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা অসামগী ইমান সোনোৱালবু ২৪-২২, ২১-১৬ দা থোইরগা সেমি ফাইনেলদা তামিল নাদুগী সটিশ কুমারবু ২১-১৩, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি।

ফাইনেলদা ঙসি মৈরাবনা দিল্লিগী অকাশ যাদবকা শান্নবদা অহানবা গেম অদু ২১-৯দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম পোইন্ট ১২-৭ তা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা অকাশ শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু মৈরাবনা লৌবা ঙমখি। পনবা য়াই, নুপাগী সিঙ্গলসতা মণিপুরগী সলাম বিদ্যসাগর সেমি ফাইনেলদা দিল্লিগী অকাশ যাদবনা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা মণিপুরগী কোন্থৌজম দিঙ্কু অমসুং মহারাষ্ট্রগী রিতিকা থাকরনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পঞ্জাবকী ইসান ভটনাগর অমসুং তেলঙ্গনাগী টানিশা ক্রাসতোবু ষ্ট্রেট গেম অনীনা ২১-১৮, ২১-১২ তা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ইভেন্টতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর-১ সিদেদ প্যের ওইখিবা মণিপুরগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুনা পঞ্জাবকী ইসান ভটনাগর অমসুং তেলঙ্গনাগী বিষ্ণুবর্ধন গোরগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ১৮-২১, ১২-২১ দা মায়থীদুনা রন্নরস অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিনা জুলাই ২০ দগী ২৮ ফাওবা চাইনাগী সুজৌদা পাঙথোক্কদবা এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনবগী টুর্নামেন্ট ওইখিবনি।

# অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ মৈরা এফ সী তেকচমনা লৌখ্রে

থৌবাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ইমাগী চাংদম্নফম ওইবা নচাশিং (মাইচোন) চরাংপাৎ মমাং লৈকাইনা শীন্দুনা মার্চ ২৯দগী হৌদোক্নুনা পাঙথোরকখিবা অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ সভেন এসাইদ ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মৈরা এফ সী তেকচমনা বোলেরো এফ সী শীংজমৈবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী মপূ ওইখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা অপীবা মতমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী তাই-ব্রেকতা মৈরা এপ সী তেকচমনা বোলেরো এফ সী শীংজমৈবু গোল ৬-৫ দা মায়থীবা পীদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫০ ফংখি। অদুগা রন্নর অপ তাহৌরবা বোলেরো এফ সী শীংজমৈনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩০ ফংখি।

তাই-ব্রেক কাওনবা অদুদা মৈরা এফ সীগী মায়পাকপগী গোলশিং অদু ওকেন, চিখাক, জোন্সন, রবিন্দ্র, গৌরো অমদি গোবিন্দনা চনখি। অদুগা বোলেরো এফ সীগী গোলশিং অদুনা অনন্দ, সন্দিপ, জেমস, সোভা অমদি সনাতোম্বনা চনখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সূর্জকুমারনা অথোইবা মীথুং, ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা থৌরম মপূ অদুগা চরাংপাৎ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ফৈরোইজম হেরামনি, ৱাংখেম জিল্লা পরিষদকী নোমিনী মেম্বর কে ঐচ সোভা, মাইচোনগী এদভাইজর কে ঐচ প্রেমনাথ অমদি টুর্নামেন্ট অদুবু স্পোন্সর তৌরকপা তোঙান-তোঙানবা ফার্মশিংগী মপূশিংসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম দেনি এফ সী হৈরোকনা তাদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩, বেষ্ট প্লেয়র বোলেরো এফ সীগী ফালগুনি, তোপ স্কোরর মৈরা এফ সীগী সাহিদুর, বেষ্ট গোলকিপ্পর মৈরা এফ সীগী বিশ্বরজিৎ, বেষ্ট দিফেন্দর বোলেরো এফ সীগী সন্দিপ, বেষ্ট ষ্ট্রাইকর ওফ দি টুর্নামেন্ট এ স্কৱার পাৎসোইগী মহেশ অমসুং মেদ ওফ দি ফাইনেল মেচ মৈরা এফ সীগী গৌরোনা তাদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২/২ ফংখি।

# পবজি-অংথানা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

তুলিহল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা এপ্রিল ১৬ তগী চথুরকখিবা অনীশুবা টি য়ু এফ সী ৭-এসাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ তাবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পবজি-অংথানা তুলিহল এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীনা ৱিন্নর ওইনবগীদমক্তা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মখোয়গী টিমনা একাউন্ট হাংনবগীদমক্তা লালোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চথনরকখি। পবজি-অংথাগী প্লেয়র এন বিনান জর্সি নম্বর ১১ না মেচকী মিনট ১১ চৎপদা মখোয়গী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০ দা মাংজিল থাখি। তুলিহল এফ সীনা হেল্লিবা গোল অমা অসি হন্দোকপা ঙম্নবা অহেনবা প্রেসর পীদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা চনবা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা তুলিহল এফ সীনা অহেনবা প্রেসর পীদুনা এটেক কয়া চথুরকখি। মখোয়গী এটেক অদু টি য়ু এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ অরিফ হুসেননা মেচকী মিনট ৪৯ চৎপদা চন্দুনা স্কোর ১-১ দা মান্নহনখি। মখা তানা টিম অনীমক্না অহেনবা প্রেসর পীদুনা গোল চন্নবা হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা মিনট ফাওবদা চনবা ঙমদবদগী স্কোর ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি। মেচ অসি টিম অনীনা পেনাল্টি কাওনবা তাখি।

টিম অনীদগী প্লেয়র ৪/৪না পেনাল্টি কাওনবদা পবজি-অংথাগী টিমনা মেচ অসি থোইনবগীদমক্তা কে রোকি জর্সি নম্বর ১৩, কে এস ঐচ অজিৎ জর্সি নম্বর ৩, এল বোনি জর্সি নম্বর ৫ পূন্না গোল ৪ চনবা ঙমখি। তুলিহলগী টিমনা থোইনবগীদমক্তা মুসারফ জর্সি নম্বর ৮৮ পূন্না গোল ২ চনখি। মেচ অসি পবজি-অংথানা তুলিহলবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইনা কে ইনাওচা, জিল্লা পরিষদ তুলিহল; প্রসিদেন্ট ওইনা এম দি অব্দুল খালিক প্রধান তুলিহল; টি মনিহল, প্রধান অংথা গ্রাম পঞ্চায়ট; এম দি অব্দুল কলাম, এদভাইজর টি য়ু এফ সী, এম দি রিয়াজুদ্দিন, কে ঐচ নজির অহমদ, এদভাইজর টি য়ু এফ সীনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# সী পি সীনা অয়াংলৈমা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ) তেন্থানা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা সী পি সী লমদিংনা অয়াংলৈমা তেন্থাবু পাঞ্জল ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা এ স্কৱার (বি) অমসুং লিসবোন এফ সী পাঞ্জল ৪-৪ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

সী পি সী অমসুং অয়াংলৈমগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা সী পি সীগী মায়কৈদগী তোম্বনা ১৬শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং অয়াংলৈমগী মায়কৈদগী জিক্সননা ২২শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। ইক্বেলাইজর অদুগী মতুং সী পি সীগী মায়কৈদগী গোপিনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লক্তুনা অয়াংলৈমবু ২-১দা হেনখি।

অনীশুবা হাফতা সী পি সীগী মায়কৈদগী বিদেশ্বর, তোম্বা, গোপি অমসুং কিষননা থংননা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না অয়াংলৈমবু ৬-১ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এ স্কৱার (বি) অমসুং লিসবোন এফ সী লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফতা লিসবোন এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চল্লগা এ স্কৱার বিগী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল অমখক চল্লগা লিজবোন এফ সীনা ৩-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এ স্কৱার (বি)গী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা মওংদা এটেক চথুদুনা হৌরকপদা টিম অদুগী থাংজনা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং টিমমেট রোরেন্দ্রোনা ৩১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং এ স্কৱারগী থাংজনা ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৪-৩ দা লৈরিঙৈ লিসবোন এফ সীগী মায়কৈদগী থোমাসনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেচ অদু ৪-৪ দা দ্রো চৎখি।

# এম এল ভি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

লোইতাং লৈকিন্থৱী য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা মে ২২ দগী চথুরক্লিবা অনীশুবা লেট এ ইবোমচা মেমোরিয়ল ভেটরান্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা এম এল ভি-ময়াই লম্বীনা এন ৱাই ভি এ-নাওরেমবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ অদু খূদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়ৈথোকখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম এল ভি-ময়াই লম্বীনা এন ৱাই ভি এ-নাওরেমবু ষ্ট্রেট সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। এম এল ভি-ময়াই লম্বীনা পোইন্ট ২৫-২১, ২৫-২৭, ২৫-২০, ২৫-৭ তা এন ৱাই ভি এ-নাওরেমবু মায়থীবা পীখিবনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ অদু খূদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়ৈথোকখ্রে।

অনীশুবা ইম্ফাল ইষ্ট মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# পি আর সী এস অমসুং এ এম ৱাই সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পৌরাবী রাইজিং ষ্টার ক্লবনা শীন্দুনা মে ১৯ দগী পাঙথোক্লকপা অনীশুবা ইম্ফাল ইষ্ট মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচতা পি আর এস সীনা এন এন সী কেবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন খন্নবগী মেচ অদুদা এন এন সী কেনা এম টি টিবু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদা পি আর এস সীনা এন এন সী কেবু সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৬, ২৫-২১)দা য়াম্না চাউনা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা পোজিসন খনবা ওইনা ঙসিগী অনীশুবদা শান্নখিবা মেচ অদুদনা এন এন সী কেনা এম টি টিবু সেট ৩-২ (২১-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২২, ১৫-১১)দা মায়থীবা পীদুনা এন এন সী কেনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

হয়েং ফাইনেল মেচতা পি আর এস সী অমসুং এ এম ৱাই সী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পৌরাবী রাইজিং ষ্টার ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

# অহানবা এম সী এ অন্দর-১৬ বোইজকী ৱিন্নর ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

য়ং য়ুনাইটেদ ক্লব, ক্বাকৈতেল মোইরাং পুরেলনা শীন্দুনা অহানবা এম সী এ অন্দর-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০১৯গী ৱিন্নর ওইখ্রবা টিম ৱাই য়ু সী অল অমিনগী প্লেয়রশিংবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর কৃকেট এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা টিম ১২ না গ্রুপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা ৱাই সী দব্লিয়ু সগোলবন্দগী হৈনৌপোক অমদি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাই য়ু সীনা অল-অমিনবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ৱাই য়ু সীগী প্লেয়র ওকপগী থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইনা এন রঘুমনি আই এম সী, মণিপুর; প্রসিদেন্ট ওইনা কে ঐচ রোমেশ, ৱাই য়ু সী, প্রসিদেন্ট; গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা এস মনিহার, রিটায়র্দ মেনেজর এস বি আই অমসুং এস প্রিয়ানন্দ, সেক্রেটরি এম সী এনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম অসিদা প্লেয়রশিংবু দ্রেস অমসুং ট্রোফি পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।













**BUSINESS LOAN AVAILABLE**
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.
1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agricultural & Horticulture items :- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।
N.B. :- Manipur গী মফম খূদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খূদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপূং ফানা তৌদুনা লৈরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খূদোংচাবা পীজগনি।
Development Organisation for Socio-Economic in Rural Area (DOFSERA)
At LG MOTORS (BUILDING 2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL.
Mob : 9383154085 Office Hour : 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/5368/3/5-30/6





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com